# ইবেন্থৌ ইমোইনুনা টাইৱান্দা খোঙদাবীরকপা






- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

চহী খুদিংগী ৱাকচীংগী ১২নি পানবা নুমিৎনা লাকপদা ইরমদম কংলৈপাক্তা য়াম্না পাক শন্না অমদি চাউনা পাঙথোক্লরিবা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অমদি অতোপ্পা মালেমগী মফম কয়াদা ইরৈচা কয়ানা, মরুওইনা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়না মাগী মাগী ঙমজবা মওংদা ইবেন্থৌ (ইমা) ইমোইনু অহোঙ অচাউবীবু ঈরাৎ থৌনিজবগুম লাপ্না লৈখ্রবা মচা-মনাই ঐহাক্কী ইমুংনসু ঈরাৎ থৌনিজদুনা লাকপনি মমাঙ চহীশিংদগী। নুমিৎসিনা লাকপদা পূক্নিংদদি খল্লি হন্দকসু শোয়দনা পাঙথোক্কে হায়দুনা। অদুবু লাইবক থীবদি নুমিৎ হুমনি/মরিনি লোক কংখু কন্না খুদুনা হীদাক চারিঙৈ হকচাংসি ইচোক চোকথবগা, মদুগী মথক্তা ঐহাক্না চান্নদবা হীদাক য়াওরম্বদগী মীৎ-মায়সে লোইনসু অমুক পোমখৎলকপগা, ঈরাৎ থৌরমগী পোৎলমশিং লৈনবা কনাসু লৈতবগা, অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয়শিংদা সেমেষ্টর লোইশিল্লকপগী এগজাম ময়াম অমা পীবগী মতম চিনবনে ইবেন্থৌ ইমোইনু অহোঙ অচাউবীগী ঈরাৎ থৌরমসি হন্দক্তি পাঙথোকচবা ঙল্লরোইদ্রা হায়না ৱাখল ৱাজরুবনি। মসিগী মথক্তা লাই-তীলগী থবকসিসু কয়া ময়েক শেংনা খঙদা-হৈতবনে অমদি য়াম্না লুনা, লূম্না লৌবনা ৱাখলসে অমুক্কা হেন্না লৈতাহনখিদবনি।

অদুবু ইবেন্থৌ ইমোইনু অহোঙ অচাউবীনা চানবীদুনা হকচাং শোন্থরবসু, মীৎ-মায় পোমখৎলবসু অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং য়ুনিভর্সিটি ক্লাসশিং লৈরবসু ইচানুপী চে চে অমদি ইচা অতোনবা বুং বুংনা স্কুলদগী য়ূমদা হেক হল্লকপগা অশংবা মতম কায়থোক্তুনা কৈথেলদা চৎতুনা টাইৱান্দা ফংবা মনা-মশিং, ঙা অঙৌবা, এঙ্গাং-নাপি অমদি হৈ-রানচিংবা লৈমিন্নদুনা ঈরাৎ থৌরমসি পাঙথোক্লবা হোৎনজখিবনি। লাইবক ফবদি ইবেন্থৌ ইমোইনুগী ঈরাৎ থৌনিজবগী থৌরমসি নুমিদাংৱাইরমদা ওইনা পাঙথোকপসু য়াবনিনা ঐহাক্কী য়ুনিভর্সিটি ক্লাসশিং অয়ূক নুংথিল অমদি নুমিদাংদা লৈবা থোক্লবসু (লৈবাকপোকপা খুদিংগী) নুমিদাংগী ক্লাস লৌবা চৎত্রিঙৈদা ইরু মায়থজদুনা, ইনাৎকী ওইবা ফিজোল শেৎতুনা কৈথেলদগী লৈরকপা অনৌ-অতেক খরা, ধুপ-থাওমৈনচিংবা থাগৎতুনা কৎচরবা মতুংদা ইবেন্থৌবু থৌগল তৌজদুনা খুরুমজবনি। মসি হেক লোইরগা হাথু হাথু নুমিদাংগী য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৌবা অমুক চৎলি। ঐহাক্না চৎত্রিঙৈদা ঐহাক্কী লোয়নবী চনীংলৈমা (চেন নান-টাই), চে চে, বেম বেম অমদি বুং বুংসু মায়কৈ করোমদা ওন্দুনা করি করি নীংজদুনা থৌনিজগনি হায়বনচিংবা ঐহাক্না খঙজবা খরা হায়বীদুনা শিন্নরম্লগা চৎলে য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৌবা অমুক। নুমিদাংগী য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৌবা লোইরদুনা হল্লক্লগা ইবেন্থৌদা কৎচবা পোৎলমশিং অদু চামিন্নে নুমিদাংগী চাকলেন ওইনা। মতমদো খরদি থেংলে, পুং ১০মুক তাগদৌরে চাকলেন চাবদা।

য়াম্বা-য়ামদবা, মপূং ফাবা ফাদবা অঙম্বা খরা থম্মোয় শেংনা ইবেন্থৌ ইমোইনু অহোঙ চাউবীগী ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকপা ঙমজবসে থম্মোয়দা য়াম্না অপেনবা পোকচৈ কংলৈচা অমা ওইনা। ইতোমতা নত্তে, ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমসু য়াম্না থম্মোয়দা পেঞ্জে। মমাঙদসু ঐহাক্না কেন্সর নাদুনা লায়কন্নবা মতমদা ইবেন্থৌ ইমোইনুবু ঈরাৎ থৌনি তৌজখিবা অদুনা ঐহাক নাবা থুনা ফরকখিবনি হায়না য়াম্না থাজজনা লৈরকপা ঐহাক্কী লোয়নবীনি। মহাকসু ইরমদম ঈনাৎকী ওইবা ফিজোলশিং শেৎ চাদুনা ইবেন্থৌদা পুনেমজদুনা ইবেন্থৌগী লোইনাইদ্রবা থৌজালবু নিজরিবনি। য়াম্না থম্মোয় শেংনা নিজবনি মহাকসু। চাইনিজ নিংঙোল অমা ওইনা হৌরকপগী মখোয় চাইনিজগী লৈজরিবা Taoism হায়রিবা লাইনীং অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংবু নীংজবা, খুরুমজবা সনামহী লাইনীং চৎচবা ঐখোয়গা য়াম্না মান্নে। মখোয়গী Taoism দা নীংনরিবা, খুরুম্নরিবা, ঈরাৎনরিবা অসিসু মখোয়গী লাইওইখ্রবা মপা-মপুশিং অদুবুনি। মান্নবশিং অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী ঈনাৎ অমদি লাইনীং লাইশোলদা ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা ঐখোয়গী ঈনাৎ, লাইনী লাইশোলদা থাজবা, নীংজবা, খুরুমজবা অসি য়াম্না লায়না থোকই হায়বা তারে। ঐহাক্না থাজজবা ঈনাৎ লাইনীংদা মহাকসু অদুম চৎমিন্নে ঐহাক্কা। তোঙান তোঙানবা নাৎ লাইনীং লাইশোল অমদি মফমদগী হৌরকপা ওইজরগসু হৌজিক্তি ইমুং অমগী মপি-মপা অমা ওইনা ঐখোয় অনী পূন্না চৎমিন্নে অমদি ইচাশিংদসু তাকপী তম্বী অমদি ঐখোয়গী মতিক-ময়াই লৈরবা হৌনা লোনচৎ, ঈনাৎ অমদি লাইনীং লাইশোলবু ঐহাক্না খঙজবা খরমখৈ।

ইচানুপী চে চেসু, বেমবেমসু মমাগী মতুং ইন্দুনা ঐখোয় ঈনাৎকী ফিজোল শেৎতুনা ইবেন্থৌদা খুরুমজৈ অমদি মহাক্কী থৌজাল নিজৈ। ইচা অতোনবা বুং বুংসু। অদুবু হন্দক্তি ইচা য়াইমা ননাওদি মিলিটরি ট্রেনিং মফমদা লৈখিবনা ইবেন্থৌদা পুনেমজবা য়াওবা ঙমদ্রে। অদুবু ঐহাক্না ইবেন্থৌবু ঈরাৎ থৌনিজবগী শিল লাংলিঙৈদা মহাক্না মেসেজ অমা ঐহাক্কী মোবাইল ফোন্দা থারকই। য়াম্না নুংঙাইবা পাউ ওইরম্মে। মহাক টাইৱানগী মেরিন কোপসকী "Frogman" হায়নসু খঙনবা রেজিমেন্ট অসিগীদমক ট্রেনিং য়াওবা য়ারগনি হায়না য়াম্না হরাওনা তম্লকখি। মিলিটরি রেজিমেন্টতদি মসিনা খ্বাসদগী ৱাবা, লুবা ট্রেনিংনি হায়। ফ্রোগমেনগী ট্রেনিংসি "Ten Steps to heaven" হায়রগসু খঙনরিবনি। মসিনি মহাক্না খ্বাইদগী পামজবা অদুগা ঐহাক্লসু মহাকপু শৌগৎচবা। চাইনিজ ন্যু য়র হেক লোইবগা মহাক্কী মেরিন কোপসকী 'ফ্রোগমেন' ট্রেনিং হৌরগনি থা অনী চূপ্পা। ট্রেনিং অসিগীদমক হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ট্রেনিং অসিদগী ননাওনা য়ূমদা ট্রেনিংদগী পোথাবা নুমিৎশিংদা হল্লকপদা ইপা ইচা জিমদা চৎতুনা পূন্না শাজেল তৌমিন্নে। ফ্রোগমেন ট্রেনিংসি য়াম্না লুবা, ৱাবা ট্রেনিং ওইবনিনা হকচাং ফিট ওইদবা য়াদে, পাঙ্গল কন্দবা য়াদে অদুগা লমজেলসু য়াঙদবা য়াদে হায়। অদুনা লম্পাক্তা পুথোক্তুনা লমজেল চেনবগী ট্রেনিংসু তৌহল্লি মখোয়গী য়ৌদা য়াদবা স্পিদ লিমিট লৈবনা। মিটর লিশীং অহুমসি মিনট ১০গী মনুংদা চেনগদবনি হায়। ইবেন্থৌ ঈরাৎ থৌনিজবগী ঈরাং লাংলিঙৈ, তেল্লবা মতম অদুদা ইচা ননাওগী নুংঙাইবা মেরিন কোপসতা ট্রেনিং য়াওবা য়ারনি হায়বগী নুংঙাইবা পাউ তাবসিসু ইবেন্থৌনা ঐখোয় ইমুংদা লাকপীদুনা থৌজানবীরে হায়না লৌজরিবনি মাগা ঐহাক্কনা।

ইবেন্থৌ ইমোইনু অহোঙ চাউবীবু ঈরাৎ থৌনিজবা হায়বসি ইচম চম্না নোংমখক পংনুং নুংঙাইবগীখক ঈরাৎপনি হায়না লৌবদি লানগনি। খ্বাইদগী মরু ওইবদি ইবেন্থৌ ইমোইনুনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দা মরুওইনা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়দা করম্বা ৱাঙাঙ শঙাঙ ইনগনি, করম্বা লমচৎ চৎকনি, চৎলোই, করম্বা চিঞ্জাক চাগনি, চাফদে, করম্বা য়ূমলৈ কৈরে পানবনা ফৈ-ফত্তে হায়বনচিংবা লৌশিং ময়াম অমা পীবিরিবদো খঙজিন্দুনা ইন্দুনা চৎপা অদুনি। নিংথিজখ্রবা পাউতাক কয়া অসি, লাইৱা কয়া অসি (ৱিজদম) ঐখোয়না থৌশাদনা নাথৈদুনা থম্বীরদি করম্না খঙনবা ঙমগনি অমদি ইন্দুনা চৎপা ঙমগদৌরিবা। লাইৱাশিং, পাউতাকশিং অসিবু খঙলক্তবনা, ইন্দুনা চৎলক্তবনা ইরমদম খুন্নাই অসিদা অসুক্কী মতিক অকায়বা লাক্লে, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, হৌন-লোনচৎ, লমচৎ কায়থরক্লে, অচুম অরান খঙনরক্ত্রে, ফিজেৎ চাকচাদা কায়রক্লে, অরানবা তৌবদা অকিবা, মীপাইবা করিমত্তা ফাওরক্ত্রে। মসিদি ঐখোয়গী য়াম্না মাঙজবনি। ঈনাৎ লাইনীংবু, ইরোলবু অমদি ইশাগী হৌন- লোনচৎ কয়াদা করিসু খঙনবা হোৎনবা তৌদনা অতোপ্পগী মরোল, মনাৎ অমদি লাইনীং লাইশোলবু হেন্না খন্দুনা থাংজিল্লুবা খোঙথাং অদুগী মহয়নি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা অৱা অনা, অতেক-অকায় কয়া থেংনরিবা।

অসিগুম্বা ঐখোয়গী খুন্নাইদা থোক্লিবা পামদবা কয়া অসিদগী খরতা ওইরবসু ঙাকথোকসি হায়রবদি অঙাং ওইরিবা অমদি নৌরিবা অঙাংশিং অমদি নহারোলশিং অসিবু ঐখোয়গী ঈনাৎ লাইনীং য়াইশোলসু তাকপী-তম্বীবা মথৌ য়াম্না তারে। মখোয়বু মরু ওইনা তাকপী তম্বীগদৌরিবা মীওইশিংদি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়নি হায়না থমজগে। মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না তম্বীদ্রদি মখোয়না মহৈশেঙশিংদা তম্লক্কনি হায়বদি খঙবীদ্রবনা ফরে মরমদি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা স্কুলগী লাইরিকশিংদা অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমশিং অসি অমত্তা তম্বীদবনা। লুরিবদি মমা মপা ওইবা ঐখোয় কয়াসু ঈনাৎ অমদি ঈনাৎকী লাইনীং লাইশোলদগী থাপ্পা লৈরকপা অসিনি থবক চিনবদগীনি খঙদে, তনবদগীনি খঙদে নৎত্রগা থৌশাদবদগীনি খঙদে। ঐখোয়নসু খঙদ্রবনিনা অসিগুম্বা পাউতাক, লাইৱা কয়ানা লৈতেংলবা ঈনাৎকী থৌরম, লাইনীং লাইশোলবু নাথৈদুনা থম্বনা ঐখোয় অয়াম্বনসু খঙদ্রে নিংথিজখ্রবা লাইৱা কয়া অসি। অসুম্না লৈবসিনদি করম্না ঐখোয়না ইচা-ইশুশিং অসিবু লমজিং লমতাকপা ঙমগদৌরিবা। মখোয়বু লমজিং লমতাকপতনা মখোয় মশা মতোমতা ফজরক্কনি, ঐখোয়গী খুন্নাই ফগৎলক্কনি হায়না লৈথোকপদি য়াম্না অরানবা ওইগনি খঞ্জে।

য়েংবীয়ু ঐখোয়গী খুন্নাইদা, মরু ওইনা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা লাইনীং লাইশোলগী অমদি ঈনাৎকী মরমদা ইচা ইশুশিংবু তাকপী তম্বীবসি অসুক্কী মতিক ৱাৎলে মমা মপা ওইরিবা ঐখোয়না খঙদ্রবনিনা, ইন্দুনা চৎত্রবনিনা। তৌবতবু মতমসিগী সাইন্স, টেক্নোলোজি অমদি অতৈ হীরম কয়াদদি অসুক্কী মতিক থৱায় য়াওনা তম্বীরি লুপা লিশীং-লিশীং ট্যুসন তৌবদা থাদদুনা। অসুম্না য়োল্লকপা, চাউরকপা অঙাংশিং অমদি নহারোলশিং অসিনা হয়েং মী ওইরকপা তারবসু মশা মশাগীতা খনবা মীওইশিং ওইরক্তুনা খুন্নাই অসিদা অফবা তৌবগী মহুত্তা ফত্তবনা হেন্না তৌরক্লিবা ঐখোয়না ঙসি উদুনা লাক্লিবা অসিনি। খুন্নাই অসিবু নুংশিনা য়েংদুনা মরমদমগী অফবা তৌনীংদবগী মথক্তা মখোয়গীদমক ৱাখল ৱাজরকপা অপোকপী অপোকপা মমা মপাশিং ফাওবা নুংশিবা ঙমদ্রিবা কয়া ঐখোয়না উরবা অসিনি। শেলতা থাদদুনা য়োল্লকপনা, মমা মপাদগী লাপথোক্লা লৈরকপনা মমা মপাবু নুংশিবসু খঙদ্রে অদুগা মরৈচাশিংবু অমদি মরমদম্বু নুংশিবসু খঙদ্রে। মদুগী খুদম হায়ববু অচৌববু হেক ওইরদি চেকপল ৱাংনা ৱাংনা খাদুনা লৈমিন্নরিবা লৈকায়গী মীওইশিংদা ফাওবা কৌদ্রিবদুনি, মখোয় অয়াম্বনা। মপাল লমদা তমহনবমক নৎত্রবসু ইরমদম মমা মপাগী মনাক্তা লৈ হায়দুনসু মমা মপাগা নক্লা চান্ননা লৈ হায়বদি লানগনি করম্না মখোয়গা লোয়নবগী মতম পীবিদনা মমা মপা ওইবা ঐখোয়গী নুংশিবা ফংদ্রবদি অঙাংশিংসি ফত্তবা লম্বীদা চৎখিবা য়াম্না লায়না থোকই। মরম অসিনা ঐখোয়না ইচা ইশুশিংবু ইশা ইশানা য়ারিবমখৈ ৱাঙাঙ শঙাঙ, হৌনা লোনচৎ, ঈনাৎ লাইনীংনচিংবা য়ারিবমখৈ খঙজিন্দুনা ইচা ইশুশিং অসিদা মতম কাইথোক্তুনা লোয়নদুনা তম্বীবা য়াম্না মথৌ তাই। মখোয় মতোমতা ফজরক্কনি, মথৌ তৌজরক্কনি হায়না খন্দুনা লৈথোকপদি অশোয়বা য়াম্না লাক্কনি খঞ্জে।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি মমা মপা ওইবা ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইবা ঈনাৎ, লাইনীং লাইশোন অমদি অফবা হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন কয়া অসিবু ইন্দুনা ইচা ইশুশিংদা তম্বীবা মথৌ তাই হায়বসিনি। অঙাংশিং অসিগী পুন্সিবু মায়কৈ চুম্বীগদৌরিবা, অফবা মীওই অমা ওইহনগদৌরিবা, মথৌ মশক খঙবা, মরমদম্বু, মরৈচাশিংবু নুংশিবা ঙম্বা মীওই অমা ওইহনগদৌরিবা অসিদি। মসি তৌবা ঙম্নবা মপি মপা ওইরিবা ঐখোয়না অচুম অরান, হৌন লোনচৎ, অফবা-ফত্তবা কয়া অসি ঐখোয়গী ওইবা লাইনীং লাইশোল কয়াদা পীরিবা পাউতাকশিং অসি খঙজিন্দুনা ইন্দুনা ইচা ইশুশিং অসিবু তাকপী তম্বীবা য়াম্না মথৌ তারে। ঈনাৎপু, ইশাগী লাইনীং লাইশোলবু খঙনা চৎপনা, শৌগৎপনা অমদি ইচা ইশুশিংবু ঐখোয়না খঙজবা খরদু তম্বীবনা য়াইফরে। ইবেন্থৌ ইমোইনু অহোঙ চাউবী ঈরাৎ থৌনিজবনা য়াইফরে! ●


# CAS COACHING CENTRE
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS X & XII
(2020 - 2021)
Classes Commencing from 13th Jan. 2020
Seats are Limited First Come First Served

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2021 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2021 Final Exam.

COHSEM
CBSE
BOSEM

Facility :- # Morning Batch (5.00-8.00AM) # Evening Batch (4.30-7.30PM)
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/5714/3-13jan

# RESOURCE TUTORIAL CENTRE
Khurai Lamlong Bazar, Opp. KVS Lamlong
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR CLASS IX & X (BOSEM)
SUBJECTS: ENGLISH, MATHS, SCIENCE, S.SCIENCE, MANIPURI, HR. MATHS.
SPECIAL FACILITY: No Tuition Fee for 1st three rank holders of different schools on first come basis.
(Class starts: 6th January 2020)
Time: 6:00 a.m. to 7:30 a.m. & 4.00 p.m. to 8:00 p.m.
FOR MORE DETAILS PLZ. CONTACT: 8415923747 / 9366072052
HL-B/5907/23/12-9/01

# NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh, Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X (BOSEM) CLASS STARTING - 9th DEC, 2019 TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.
CLASS XII SC. (COHSEM) CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR
CLASS IX & X (BOSEM) CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
CLASS VI TO VIII (BOSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
* Day Boarding Facilities. * Class test will be conducted on alternative days. * Carrier Counselling for future study.
* Self study hour under the guidance of expert daily. * Study Material will be provided. * Transport & Hostel facility will be available.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-P/5262/10 dec-11jan

# EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai
Foundation Course for Class IX and X
From 15th December 2019 & 5th January, 2020 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening) Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.
General Foundation Course for Class I to VIII From 5th January, 2020
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)
7th Position: The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.
8th Position, 11th Position, 12th Position, 19th Position, 22nd Position, 23rd Position
HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019
Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)
Facilities -
50% off on 1st to 5th school position holders
50% off on disable students
30% off on sports person
50% off on Govt. School students
PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS; AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL; LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE; COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS; SPECIAL TEST; VAN FACILITIES
I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/ MM (₹ 1,500 p/m)
Our Faculties are :
Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita
For detail Please contact 9612 194500
Students Loan available for those students studying in our institution.
HL-B/5916/27-31dec/1-28jan

/MULTIPLE JOB VACANCIES

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1. | GNM | 8 | Experience or Fresher | 13,000/- |
| 2. | B.Sc. Nursing | 8 | -do- | 16,000/- |
| 3. | H.R. Manager | 2 | Experience 2 yrs. | 20,000/- |

REQUIRED POST

| Sl. | Name of Post | Vacancy | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Receptionist | | X/XII | 5,500/7,000 & above |
| 2. | Field Worker | | VIII Pass | 6,000/- |
| 3. | Financial Advisor | | XII Pass | Negotiable |
| 4. | Driver | | VIII | 6,000/- |
| 5. | Security Guard | | VIII | 6,000/- |

Last date of Form Submission : 16-1-2020
Date of Interview on : 17-1-2020
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
Sagolband Salam Leikai, Imphal- 795001
HL-P/4541/5-15(alt.) Regd. No. 14/006/21/04/70/MICRO PART-1
Please Contact : # 9383093678, # 8794829055

/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লক্ষ্মী চংফম মচিন, নিয়র এসেম্বলী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীজৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তেঙ্গিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙ্গা শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটুলৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াহি হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।
Phone No. 9612225582
HL-B/5858/1/12-31/12
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।